**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-06-2026)**

**সাফ(এল)ঃ** মনিপুরদগী নুপী শান্নরোই ৯ য়াওবা ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিমনা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) ৱিমেন্স চেম্পিয়নসিপ-২০২৬, লৌরকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

রাজ্যপালনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিমনা মায় পাক্লকখিবা অসি মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা, পুকিং ৱাখল চেৎপা অমসুং পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবদগী ওইরকপনি। ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই কয়ানা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাংশিং য়ারি। মসি ভারতকী ওইনা চাউথোকচবা ফংবতা নত্তনা মনিপুরগীসু অখন্নবা তাঙ্কক অমনি। মখোয়গী শিংথানিংঙাই ওইরবা হৈ-শিংবা অমদি থৌনা লিংজেল ফাবগী মওংশিং অসিনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা অচৌবা ইনোৎ পীরগনি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-চেম্পিয়ন লৌরকখিবা ভারতকী শান্নরোই ২৩ না শাবা টিম অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই ৯ য়াওবা অসি ঐখোয় পুমমক্কী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি। গৱাগী মারগাউদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা বঙ্গলাদেসপু পাঞ্জল ৩-১ দা য়ামা লাকচনা মায়থিবা পীদুনা মায় পাকপা অসি পুরকপা ঙমখিবনি। মসি ঐখোয়গী শান্নরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমসুং থৌনা লিংজেলশিংনা ওইথোকহনবা ঙম্লিবনি।

মহাকা হায়-ভারতকী ফুটবোলগী লমদা মনিপুর অসি পৱার হাউসনি হায়বদু চেম্পিয়নসিপ অসি লৌরকখিবনা হেন্না ময়েক শেংনা তাক্লি। ঐখোয়গী

শান্নরোইশিংবু মখা তানা শৌগৎপীদুনা হেন্না চাউবা মায় পাকপসি পুরকপা ঙমহল্লসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**ইনসেন্টিব (এল)ঃ** কালাসংস্কৃত্তিগী লমদা থবক তৌরিবা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা খনগৎলবা সেনিয়ার আর্টিষ্ট ২৫ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু য়াই স্কুল ওফ আর্টিষ্ট ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাই, ইম্ফালগী কন্সটিট্যুয়েন্ট বোদি অমা ওইরিবা য়াই আর্টিষ্ট ৱেলফিয়ার ফন্দনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিং য়াওনা অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিংদা অৱাবা কয়া মায়োকরি। আর্টিষ্টশিং অসিনা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবসশিং মতম চানা ফংবা ঙমদবগী সমস্যাশিংসু অদুম্মক থেংনরি।

**এআর (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস, আর্মি, বোম দিসপোসেল টিম, স্পিসিএলাইজ দোগ স্কাউদ য়াওবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুশিংনা চয়োল অমা চুপা চত্থরকপা ওপরেসনশিংদা ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ২৫ ফারে।

আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী পাউনা হায়-ওপরেসন অদুদা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এ.কে. রাইফল মরি, ইনসাচ রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল, নোংমৈ ১১, পিষ্টোল ৯, এস.এল.আর. অমা, সিঙ্গল বেরেল, দবল বেরেল নোংমৈ অমা ইনসাচ লাইফ মেছিনগনগী মেগজিন অমা, এম.সভেন্টিনাইন গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা, গ্রেনেদ ১৩, রেদিও সেট মরি অমসুং নোংমৈ মরু ৪০০ হেনবা য়াওরি।

**দেসাম (এল)ঃ** ৱাৰ্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা দেসামনা শিনবা রাজ্য থাক্কী রির্টন ক্যুইজ কম্পিটিসন ঙসি থৌবালগী ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখে। মদুদা পুন্না মহৈরোই ৪০৩ শরুক য়াখি।

**এমশু (এল)ঃ** নরচরি তুমোরোজ এদমিনিষ্ট্রেটর ফ্রোম মনিপুর হায়বা ৱাখল্লোনদা এমসুনা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা তোঙান তোঙানবা পরিক্ষাশিংদা শরুক য়ানবা মহৈরোই অনি খনগৎপগী এন্ত্রান্স টেষ্ট অমা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মচা লৈমা স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

খোঙথাং অসি নেসোগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি হায়রি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-মনিপুরদা হয়েং জিলা ১২ দা নোং চুরবা য়াই।

সেন্টর অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলাশিং অদুদি, তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংনি। মফম খরদদি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**সেফতি (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-তিঞ্জং কাইজংদবা খুনাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মচী ওইবা চীঞ্জাক চাবা তঙাইফদে। ঙসি, ৱার্ল্ড ফুড সেফতি ডেগা মরী লৈননা থাদোরকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মীয়াম্বু মশা মউ ফনা থমবগীদমক পোৎয়ান য়াওদবা অফবা চীঞ্জাক ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি।

লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড ফুড সেফতি ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী ফুড

সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালনা পুন্না শিং দুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখি। চহি অসিগী ওইনা পালন থৌরম অসিগী হিরমনা-ফ্রোম বর্দন টু সোলুসন্সঃ সেফ ফুড এভ্রিব্রেয়ার হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর দলজিৎ সিংহ চৌধরিনা হায়-তরু-তান্নবা অমদি হকচাংদা শোকনিংঙাই ওইদবা চান-থকবা পোৎলমশিং ফংবা হায়বসি মীওই অমগী তঙাইফদবা ফংফম থোকপা হক অমনি। হকচাংদা শোকনিংঙাই ওইবা চিঞ্জাকশিংনা মীওই কয়াগী পুন্সি লৈখিদবা য়াওরিবশিং অদু থোকহন্দনবগী পান্দমদা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনচিংবা মালেম থাক্কী লুপ কয়াগী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামদা অফবা চিঞ্জাক ফংহনবগী তঙাইফদবশিং হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা এদ্দিসনেল ফুড সেফতি কম্মিসনারসু ওইরিবা হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডাঃ এন. হেমন্ত কুমার য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ফেলিসিটেসন(এল)ঃ** ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী জোইন্ট সেক্রেটরি-ঙাঙোম উতমনা হায়রি-হেন্না চাউখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবা মীওইশিংগী মশিং হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলদা ঙসি পাঙথোকপা মহৈরোইশিংবু পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী উতমনা হায়-লন-থুম অমদি শেল য়ামা লৈরবসু মদুবু শিজিন্নগদৌরিবা মীওই অদুনা ফৎত্রবদি নুংঙাইনা হিংবা য়ারোই। মরম অদুনা, হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংবু লাইরিক হৈনবা হোৎনবগী মথক্তা লাইশু খঙনবসু হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা স্পিপসিএল কম্মান্দো য়ুনিটকী এস.পি. অমদি ৮ শুবা আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট-ডা: সরাংথেম ইবোমচা, হেলথ সাভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমার য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এসআইআর(এল)ঃ** হৌজিক চঞ্চরিবা স্পিপসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) ২০২৬ কা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং নীংথিনা পায়খৎনবা নোনে জিলাগী মনুংদা লৈবা ই.আর.ও. অমসুং এ.ই.আর.ওশিংদা খঙহল্লি। মসিগী মতাংদা নোনেগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**কার্ড(এল)ঃ** নোনে জিলাগী মনুংদা, প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনাগী কার্ড পায়বা য়ারবা মীওইশিং কয়া য়ামা লৈরিবগে হায়বদু খঙদোকবা আয়ুসমান ভারত কার্ড সেচুরেসন কেম্পেইন হৌজিক চঞ্চরি।

কেম্পেইন অসি হৌখিবা থা অসিগী মঙাদা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-বিদ্যামারি শ্রীধারনা হৌদোকখিবনি।

**খোরিরোল(এল)ঃ** খোরিরোল অপুনবগী পাউশানাফম শিংজমৈ চিরোম

লৈকাইগী তরুকশুবা মপোক কুমওন থৌরম মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খাঙেন্নবম গৌরচন্দ্র অমদি তামিনি নীংশিং মনা ২০২৪, নিরঞ্জন উশমনা ইবা মনিপুর কৌবী ইমাও হায়বা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তা পীখি।

**অমিতঃ** ঙমখৈ পরিংশিংদা ফজবা য়ুমশিং শারকপা, লন-থুমশিং লৈবা, য়োনবা অমসুং শেল-থুম কায়থোক কায়শিনগা মরী লৈনবা থবকশিং হেন্না চেকশিন্না য়েংশিন্নবা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

বি.এস.এফস ত্রিপুরা ফ্রন্টিয়ার হেদক্বাটরসতা অৰাং নোংপোক লমদমগী ঙমখৈ লমদমশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা মীফমদা শ্রী সাহনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। অৰাং নোংপোক লমদমগী ইরোই লোইবা শরুক্তা লৈরিবা মফমশিংগী লমগী রেকোর্ডশিং নীংথিনা য়েংশিন্নবসু গৃহ মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি। ঙমখৈগা থংননা লৈবা জিলাশিংদা শেল থুমগী চৎন-কাঙলোন কায়হন্দনা থমবা হোৎনবা হায়বসি রাজ্য সরকারশিংগী মথৌনি। মফমশিং অদুদা জালি নোটশিং পুথোক পুশিন তৌব্রা হায়বদুসু য়েংশিন্নবা মহাকা ফোংদোকখি।

**জয়শঙ্করঃ** ইন্দিয়া-ইন্দোনেসিয়া জোইন্ট কম্মিসনগী মীফম ঙসি ন্যু দিল্লিদা লোয়শিনখ্রে।

ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রি-সুগীয়োনোনা পুন্না সভাপতি ওইদুনা মীফম অদু পাঙথোকখি। তুংদা, ডা: জয়শঙ্করনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমনা হায়-ভারত অমসুং ইন্দোনেসিয়া অনিমক্তা হৌখিবা চহি খরা অসিদা শেল থুমগী ফিভম খোংজেল য়াংনা ফগৎলকপা উবদা অপেনবা ফোংদোকখি।

মীফম অদুদা রাজনিতি, ঙাকশেল, সেক্যুরিতি, মেরিটাইম, সিপ্পিং, লল্লোন ইতিক, ফিনটেক, হকশেল, ফারমাসিয়ুটিকেল, হার, শিক্ষা, লম কোইবা অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়াসু

খন্নখি।

**এলপিজি ঃ** সরকারনা হায়রি-মালেমগী ওইনা এল.পি.জিগী মমল চাউনা হেনগৎলবসু ভারত্তদি চাক থোংনবা গ্যাস অসি খ্বাইদগী অতাবা মমলদা ফংহন্দুনা লাক্লি।

চেরোল অমদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়-ভারত্তা এল.পি.জি সিলিন্দরগী মমল অসি য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা কা হেন্না হোংলি অমসুং আমেরিকা, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কানাদাগুম্বা শেল থুমগী লমদা কা হেন্না চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা পীরিবা মমলদগীসু হন্থরি।

চেরোল অদুনা হায়-প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনাগী বেনিফিসরিশিংনা কিলোগ্রাম ১৪ গ্রাম ২০০ গী এল.পি.জি সিলিন্দর লুপা ৬৪২ খক্তদা ফংলি। অদুগা দিল্লিদা জেনেরেল কঞ্জুমরশিংনা সিলিন্দর ১ দা লুপা ৯৪২ দা ফংলি।

**নদ্দাঃ** মশা-মউ ফবা খুনাই অমা শেমগৎনবগীদমক মীয়ামদা অফবা, তরু তনানবা চীঞ্জাক ফংহনবা হায়বসি সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি হায়বা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি।

ৱার্ল্ড ফুড সেফতি ডেগা মরী লৈননা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা শ্রী নদ্দানা মীয়ামদা অফবা চীঞ্জাক চানবা অমসুং তিনজং কায়জংদবা, মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা শেমগৎনবা মীয়ামদা আপীল তৌরি। মীয়ামা অচাথাউ শিজিন্নবগী চাং চাদা ১০ হন্থহন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবুসু মন্ত্রিনা নৌহৌনা নিংশিংখি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-অনৌবা ইমাগী মঙালনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-সোসিএল স্পোর্টিং ক্লবনা জিওলাং সিনসিয়ারিতি য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সমরাম ফুটবোল গ্রাউন্দদা সমরাম ফুটবোল ক্লবনা শিনদুনা চথরকখিবা মরিশুবা সমরাম ত্রোফিগী ৱিন্নর জোন এফ.সি-অচানফিগৈনা ওইরে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জোন এফ.সি-অচানফিগৈনা য়ুন্বা সমরাম এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**খোখোঃ** মনিপুর এম্যেচর খো-খো এসোসিয়েসন অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো-খো এসোসিয়েসনগী লমজিং মখাদা ব্লুমিং এঠলেটিক্স এন্দ স্পোর্টস য়ুনিয়ন-খাঙবোকনা শিনদুনা নুমিৎ ১৫ নি চুপা চথরকখিবা খো-খো কোচিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী খাঙবোক বাশু গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা ক্লাস থ্রিদগীনা নাইন ফাওবগী থাক্তা লৈবা শান্নরোই নুপামচা, নুপীমচা পুন্না ১০০ হেনবনা শরুক য়ারি।

**কাংঃ** ২৬ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-ক্লাসা ওইনামনা পুথিবা খুন্দ্রাকপমবু পাঞ্জল ২২-১৩ দা থোইখি। হয়েং অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা-এল.এস.কে. টিম এ-ৱাঙ্গোই অমসুং এল.এস.কে টিম (বি) ৱাংগোই লম্বা থেংনগনি।

**ক্রিকেটঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি কোংবা ধোবি লম্পাক সেদো গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-পি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ফোর্স ক্ষেত্রিগ্রাউনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীবু রন-১২৩ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টে কলেজ গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-ত্রাউ ক্নাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগ্রাউবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

লিগ অসিগী লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখানা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

থৌবাল মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ্ টু পেচু লম্পাকা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোংনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈবু ৱিকেট মরিদা থোইখি।

তাউথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-এ.এম.সি.এ. থৌবালনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু রন-১২৬ তা থোইখি।